# আর আর সী সী অমসুং এম পি এ থৌনাওজম মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক চথরিবা ১০ রক শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর অমসুং এম পি এ থৌনাওজম মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সী লল্লাম্লুং অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ু সী না ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৭.৩দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন চন্দ্রকুমারনা বোল ৬৬ মায়োক্লবদা রন ৪২, দেবিদ মোইরাংথেমনা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ১৮, গোবিন্দ মঙাংনা বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ১৩ অদুগা বিশ্বরাজনা বোল ২১ মায়োক্লবদা রন ১৫ লৌরমখিবা অদু নত্তনা টিম অদুগী লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তা দিজিট অনী শুবা রন লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, আর আর সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২১.৪দা ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন হেন্দাক্তুনা পুন্না রন ১৩৪ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু আর আর সী সীনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন ৱাই রাকেসমোহননা বোল ৫৭ মায়োক্লবদা রন ৬০ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা এম পি এ থৌনাওজম অমসুং এস য়ু সগোলবন্দগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এস য়ুনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। এস য়ুনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৭.১দা ওল আউট ওইরগা রন ৯৯ খক্তমক লৌবা ঙমখি। অদুগা এম পি এনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওভর ২২.৩দা ৱিকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন ১০০ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫দা মায় পাকখিবনি।


অশংবা মীশিংগা

**VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS**

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজে।
- # 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/10030/25 Nov. to 23 Jan. Alt


# ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ২২ রক শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই এ সী অমসুং সাইক্লোনগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই এ সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। সাইক্লোননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৭.৩দা ওল আউট ওইরগা রন ১১৫ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিদা বেটসমেন সসিকুমারনা বোল ৫২ মায়োক্লবদা রন ৩৭ লৌরমখি।


অমরোমদা ৱাই এ সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৬ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা টার্গেট রন ১১৬ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱাই এ সীনা ৱিকেট ২দা মায় পাকখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন অনিলনা বোল ৪৫ মায়োক্লবদা রন ৩২ অদুগা সরতনা বোল ৪৬ মায়োক্লবদা রন ২৮ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাস এ সী য়াইস্কুলগী চিতরঞ্জননা তাখি।

# লাইরেনময়ুম রিসি মৈতৈ মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):** ৭৭ রক শুবা সিনিয়র, ৫৪ শুবা জুনিয়র অমদি ৪০ শুবা সব-জুনিয়র নেশনল ত্রেক নেশনল ত্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী লাইরেনময়ুম রিসি মৈতৈনা মহাক্কী পোক্লফম পৌরাবী খুল য়ৌরকপদা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি থাসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা উট্টরখন্দ সাইক্লিং এসোসিএশননা সাইক্লিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা রুদ্রপুরদা পাঙথোকখিবনি। ঙসি রিসি মৈতৈগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স সার্বিসমেন নোংথোম্বম রোমাজিৎনা হায়, রিসিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকখিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না পুক্নিং থৌগৎপীফম থোকই। তুংদসু চহী নৌরিবা শান্নরোয় অসিনা কন্না হোৎনদুনা হেন্না মায় পাকপা ওইসনু হায়খি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1689**

**CM Rithvik Deepak Ambattu (2168) - Arne Hagesather (1975)**
**15th London Classic Open London ENG, 2025.12.01**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 Bf5 | 4.h4 Na6 | 5.c3 Nc7 |
| 6.Bd3 Bxd3 | 7.Qxd3 e6 | 8.Ne2 c5 | 9.h5 Qd7 | 10.Be3 cxd4 |
| 11.Nxd4 Ne7 | 12.Nd2 Nc6 | 13.N2f3 f6 | 14.Bf4 fxe5 | 15.Nxe5 Nxe5 |
| 16.Bxe5 Bd6 | 17.Qg3 O-O-O | 18.O-O-O Bxe5 | 19.Qxe5 Rhf8 | 20.f3 h6 |
| 21.Rde1 Rf6 | 22.Rh4 Rdf8 | 23.Rg4 R8f7 | 24.Kb1 a6 | 25.Rxg7 Rxf3 |
| 26.Rxf7 Rxf7 | 27.Qh8+ Qd8 | 28.Qxh6 Qh4 | 29.Qh8+ Kd7 | 30.Qe5 Qg4 |
| 31.Nf3 Qxg2 | 32.Nh4 Qd2 | 33.c4... | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1688 Solution :**

**36. ...e2** *The black pawn attacks White's rook, which is defending the square f8.* **37.Re1**
*37.Rcc1 exf1=B*
*37.Rfc1 Rd1+ 38.Kh2 e1=Q 39.Rc8+ Kh7*
**37. ...Rb1** *The black rook pins White's rook against White's king.* **38.Kf2**
*38.Rxb1 Rd1+ 39.Rxd1 exd1=Q+*
*38.Rcc1 Rxc1 39.Rxc1 Rd1+ 40.Rxd1 exd1=Q+*
**38. ...Rf8+ 39.Kxe2**
*39.Kg3 Rxe1*
**39. ...Re8+** *The black rook skewers White's king and rook. The black rook attacks White's king, which is defending White's rook.* **40.Kd3 Rexe1**
**0-1**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com